
HUEIYEN LANPAO
Saturday, June 25, 2016, Imphal


## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### নোংশা মউল উপ্পা গধা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌনা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
পোকখি বোধিসত্বনা লৌউবগী মপোক্তা।
মতম অসিৰাইদবু লল্লোনব'মা লৈরম্মী;
মানা গধা মথক্তা লল্লোনপোৎপু পুরম্মী।
'মদু কোয়না হারগা ফংলকপা শেন্দোং অদুনা,
ময়ূম-মকৈ কোইদুনা লেনখি পুন্সি নুঙাইনা।
মানা চৎপা খুদিংদা গধা'ই মপোৎ থাংথনি;
নোংশা মউল উপ্পীর' লৌবুক্তবু থাদোক'নি।
লৌঙাকপশিং উরগা নোংশা লাক্লে হায়দুনা,
মনাক্তবু চঙঙল্লোই চাখিগনি কিদুনা।
নোংমসুনি লল্লোনবা মাগী চান' থোংলিঙৈ,
লৌবুক-লম্মাং অমদা পন্দুনবু লৈরিঙৈ,
গধা অদু থাদোকখি নোংশা মউল উপ্পীর।
লৌঙাকপনা  নোংশানি খল্লদুনা কিজর,
খুল্লক্তবু চেল্লগা চেনখি পাউবু খুঞ্জাদা।
খুঞ্জাশিংনা চৈতুপ-পায় ধমকা-ধমকী তৌবদা,
গধা অদু পাখৎনা হী: হো: খোংখিদো।
খঙলবদা গধানি বোধিসত্বনা হায়খিদো,
'নোংশা হায়র' নত্তবা কৈ হায়র' ওইদবা!
কবো কৈ-ফাও' নত্তবা! নোংশা মউল-উপ্পবা!
গধা'ই-গধা-মওইবা, থায়ন'ই গধা-অপঙবা!
ময়াম চঙনা ফুবদা শরূ পূম্বা তেক্লবা,
গধা অদু উবদা লল্লোনবনা হায়খিদো,
'খরা শিংজরম্লবা কুইনা চাজরম্মিদো
খোংলুবনা হী: হো: চৈবু থীনা চারেদো।'
কন্না ফুমনখিবনা গধা অদু শিখরে;
অশিবদু হুন্দোক্লম' লল্লোনবদু চৎখরে।

## অঙাংগী ৱারী

- রঘু লৈশাংথেম

### ঙানু-থঙ্গোং



**পাৎপান** অমদা নুপীমচা অমা লৈরম্মী। নুপীমচাদু নুমিৎ খুদিংগী পাৎপান্দা চেন-চোংদুনা শান্নে। নোংমদি শাদানবগী লাংদা ঙানু-থঙ্গোং অমা থুরম্মী। নুপীমচাদুনা ঙানু-থঙ্গোংদু লাংদুদগী লৌথোকপীরম্মী। নুমিৎ অদুদগী ঙানু-থঙ্গোং অমসুং নুপীমচা পুন্সিগী মরুপ ওইখি।

নুপীমচা অদুগী মমা-মপা শিখ্রে। মবুং অমা লৈ। মবুংদু লুহোংলে। মনম্মদুনা মচন্নুপী লুনা চানা তৌরমদে। নুপীমচাদু মীনাই অমগুম তৌরম্মী। কোন ফেংহল্লি। ফৌ শুহল্লি। শিঙ চনহল্লি। মবুংদি থবক শুবা লংফৈদা চৎখি।

নোংমদি পুখ্রি অমদা মনম্মদু ইরুজে। ইরুজবদা মনম্মগী খূৎতগী খুদোপ অমা পুখ্রিদা তাখ্রে। মনম্মদু মতোমতা পংশাউদা শাউই। মনম্মনা তাইনফম খঙদনা নুপীমচা অদু ফুরম্মী। খুদোপ অদু পুখ্রিদগী ইরুপ্তুনা থিয়ু হায়রম্মী।

নুপীমচাদু পুখ্রিদা চৎলি। খুনগী পুখ্রিদু য়াম্না চাউই। য়াম্না লুই। করম্না নুপীমচানা ইরুপ্তুনা পুখ্রিদা থিগদৌরিবনো। নুপীমচা কপ্পী। মাগী মরুপ ঙানু-থঙ্গোংদু নুপীমচানা কপ্পগী খোঞ্জেল তারম্মী। ঙানু-থঙ্গোংদু নুপীমচানা কপ্লিবদুগী মরম হংলকই। নুপীমচানা ঙানু-থঙ্গোংদা মনম্মগী ৱারীদু তম্লে। ঐ সনাগী খুদোপ অদু ফংদ্রবদি য়ূমসিদা লৈবা য়ারোই। ইনম্মদি য়াম্না শাথি। ফুগল্লি। ঐ য়াম্না কিজে।

ঙানু-থঙ্গোংনা হায়, নঙ করিগী ৱারিবগে নুপীমচা। ঐনা সনাগী খুদোপতু পুখ্রিসিদগী খুনগৎকনি। কপকনু ঐ নঙগী মরুপনি।

ঙানু-থঙ্গোংনা পুখ্রিদা লুপখ্রে। সনাগী খুদোপ্তু ঙানু-থঙ্গোংনা মচিন্না চিক্তুনা পুখৎলক্লে।

- সে! সে! নুপীমচা 'সনাগী খুদোপ' সিদা লৈরে।

নুপীমচানা সনাগী খুদোপ পুদুনা ময়ূমদা চৎলে। মনম্মদা পীরম্মী। মনম্মা ইঙক ঙকই।

নুপীমচাদু মনম্মনা চাংয়েং কয়া তৌরকই। ওৎ নৈরকই। নুপীমচা কপ্পী। শিখ্রবা মমাবু কৌই। উপায় লৈতে। মনম্মনা হায়বা য়াদে হায়দুনা মতম অয়াম্বদা ফুবী। নুপীমচা হন্না হন্না কপ্পী।

ঙানু-থঙ্গোং পাইরকই। কৈদৌরে হংই।

ঐ ইনম্মনা ওৎ নৈরে। য়ূমসিদগী তাম্থোকনিংলে। ইবুংসু লংফৈদগী হল্লকত্রে। ঐবু হন্না হন্না ফুবীরে। অদুগী ঐ কপ্লিবনি। নুপীমচানা পাউদমজে।

- হৌজিক নঙ করি তৌবা পাম্মী।

- ঐ ঙানু-থঙ্গোং ওন্দুনা পাইনিংই। নঙগা অতিয়াসিদা পাইদুনা শাননিংই। ঙানু-থঙ্গোংনা য়ারে। ফরে অদুদি ঐখোয় অনী পাইখ্রসি।

নুপীমচা ঙানু-থঙ্গোং ওন্দুনা পাইখ্রে। অতিয়াদা পাইদুনা মশা খপ-খপ্তুনা পাই। মনম্মদু ইঙক ঙকই।

নুপীমচাগী মনম্মা নুংঙাইবা য়াম্না পাম্বী নুপী ওইরম্মী। মী খুদিংগী সনা লুপা য়াম্না পুরম্মী। মাগী চক্রিদা নুপীমচাগী মবুং লংফৈদা অদুম লৈখিবনি। মনম্মদু মানা পুরুবা শেল শিংদবগী মীনা ফুবিরম্মী। চৈবিরম্মী। মনম্মদু কপ্পী।

মতমদুদা ঙানু-থঙ্গোং অনীদু পাইরকই। মীশিংনা শেল শিংদবগী ফুবিবদু উরে। ঙানু-থঙ্গোং অনীনা সনাগী লিক অনী মনম্মগী মমাঙদা থাদরে।

মনম্মনা ঙক্লা য়েংই। নুপীমচানা ওনখ্রবী ঙানু-থঙ্গোংনা হায়রকই, 'ইনম্মা মীশিংদগী লৌরুবা শেনফমশিংদু শিংদোকখ্রো। অদুগা নুংঙাইনা লৈরো। ঐদি ইমা-ইপা লৈজদ্রবা নুপীমচানি। ঐ ঙসি ঙানু-থঙ্গোং ওল্লে। হয়েংমুক্কী মপোক্তা ইনম্মগী সেবা মপুং ফানা তৌজগে।

মনম্মা কপ্পী। নুপীমচা ইনম্মা লানখ্রে। নুপীমচা নঙ অমুক মী ওল্লক্লো?

মতমদুদা মবুং লংফৈদগী হল্লকই। মচন্নুপীবু কৌই। খুল্লকত্রে। মবুংনা হংই মনম্মদা। নুপীমচা কদায়দা চৎখ্রে।  মনম্মনা খুমই, নুপীমচা ঙানু-থঙ্গোং ওনখ্রে। হিক-হিক কপ্পী।

- করম্না মবুংনা ফুই।

ঐ ৱারী লোইনা তারবনি। নুপীমচাদু নঙনা ওৎ-নৈবদা খাঙবা ঙমদদুনা ঙানু থঙ্গোং ওনখিবনি। মতমদুদা মবুংনা মচনবু কৌই।

- ইবুংগী ইবেম্মা নঙ অমুক্তা হল্লকখো।

ঙানু-থঙ্গোং অনীদু মবুংগী খোঞ্জেল তাবদা কপ্লকই। মবুংগী মনাক্তা পাইরকই।

অদুঙৈ অঙাং ওইরিঙৈ মীৎকুপ অমা থাদোক্লদে। খুনগী লম্পাক্তা চেন-চোংদুনা শান্নে। চাক পুখম অমতদা চামিন্নে। মচন্নুপী য়াওদনা অচাপোৎ অমত্তা চাদে।

মমানা শিরমদাই মচনবু মখূৎ পায়দুনা শিন্নরম্মী 'নচনগী পি তাহনগনু'। ঙসিদি কদায়! মনম্মগী থম্মোয়দা নুপীগী থম্মোয় চেল্লমদ্রে। মমা-মপা লৈজদ্রবা মচনগীদমক মবুংদু কপ্লম্মী।

মতমদুদা ঙানু-থঙ্গোং মচন্না হায়রকই,

- দাদা কপকনু। নচন লৈ। ঙানু-থঙ্গোং ওনবতনি। করিগী কপ্লিবনো।

- ইবুংগী ইবেম্মা নঙগী খোঞ্জেলনা ঐ ঙাওরে। ইবুং লাল্লে।

- করিগী লানগদৌরিবনো। ঐ ইবুংবু নুংশি। ঐসে ইবুংগী ইরেমখাকনি। দাদা কপ্লনু তোক্লো।

- করম্না তোকপা ঙমগনি। ইচনগী নুংশিবা মায়থোংদু উনিংই। মতমদুদা মনম্মনা ঙানু-থঙ্গোং ওনখ্রবী মচন্নুপীবু খুরুমই। ঐ লাল্লে। ইনম্মগী ইবেম্মা। ঐ নুপীগী থম্মোয় চেল্লমদ্রে। কপ্লকই মনম্মা।

ঙানু-থঙ্গোংনা হায়-

"দাদা ইনম্মবু ফুবীগনু। লুনা চান্না তৌবিয়ু। ঐদি তোল্লবীনি। ঙানু-থঙ্গোং ওন্দুনা লুরবা লাইজসিদা ঈরুপ্তুনা শান্নজরুগে। খুনগী সনা থম্বালগী পুখ্রিদা। দাদানা করিগুম্বা নীংশিংবীরক্লবা ঐবু কৌরকউ নুংশিনা 'ইবুংগী ইবেম্মা'।

ঐনা নুংশিনা খুমজগে।

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ শিঙ্গারৈ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —



***মনম নুংশিবা*** পাম্বীশিংগী মনুংদা অমতং পল্লবদি শিঙ্গারৈ পাম্বী অসিসু অমনি। শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি হিন্দীদা হরসিংঘর (Harsinghar) নৎত্রগা রাত-কি-রানী (Rat-ki-rani), ইংলিসতা নাইট জেসমিন (Night Jasmine) নৎত্রগা কুইন ওফ দি নাইট (Queen of the night) নৎত্রগা সেদ ত্রী (Sad tree) অদুগা সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *নিকতেন্থিস আরবোর ত্রিতিস (Nyctanthes arbor-tritis Linn.)* হায়না কৌই অমসুং ওলিয়েসি (Oleaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি পীক্তক তৌবা অদুগা মনা য়াম্না পুঙবা উ পাম্বী মচা অমনি। শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ষ্টেট ফ্লৱার (State Flower) ওইনা শক খঙলিবনি। পাম্বী অসিগী বোটানিকেলগী মমিংদা জেনেরাগী মমিং নিকতেন্থিস হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈদগী অর্থনা  অহিংগী লৈ হায়বসিদগী থোনখিবনি অদুগা স্পিসিজগী মমিং আরবোর-ত্রিতিস হায়বদি অৱাবা পাম্বী হায়বনি। পাম্বী অসি অয়ূক নুংথিলগী মতমদা মশা অদু ইতুক তুকথদুনা হেক য়েংবদা অৱাবগী শকফম ওইনা উবদুনা পাম্বী অসিবু সেদ ত্রী (অৱাবা উ) হায়নসু অদুমক কৌনৈ। বিষ্ণু পুরানগী মতুং ইন্না পাম্বী অসিগী অতোপ্পা মমিং হায়বদি পরিজাতাকা অসি নিংথৌ অমগী মচানুপী অমগী মমিং ওইরম্মী। পরিজাতাকা হায়রিবা নিংথৌগী মচানুপী অসিনা নুমিৎপু য়াম্না নুংশিজরম্মী অমসুং মহাকপু লুহোংবা পাম্লম্মী। অদুবু নুমিৎনা মদু য়াবা ঙম্লমদে। মরম অদুনা নিংথৌগী মচানুপী পরিজাতাকা অদু থৱায় য়াম্না নুংঙাইজরমদে অমসুং মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজখিরম্মী। মহাক্লা শিখ্রবা মতুংদা অশিবা মশা অদুদগী শিঙ্গারৈ হায়রিবা পাম্বী অসি হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। মরম অদুনা শিঙ্গারৈ পাম্বীনা নুমিৎ হেক উবগা খুইথরিবনি। মসিনসু ওইরম্বা য়াই মদুদি শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি সেদ ত্রী হায়বদি অৱাবা উ হায়নসু কৌরিবদু। অতোপ্পা ৱারী অমদনা হিন্দুশিংনা থাজৈ মদুদি শিঙ্গারৈ হায়রিবা পাম্বী অসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী তালোয় সত্যভামাগীদমক্তা লাইরৈবাক্তগী পুরকখিবনি হায়বসিনি অমসুং পাম্বী অসিবু পুজা তৌনৈ।

শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি নুমিদাংগী মতমদা মনাশিং অদু ইতেক তেকখৎলি অমসুং লৈ শাৎলি অমসুং য়াম্না নুংশিবা মনম অকোয়বদা শন্দোরক্তুনা অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা পূক্নিং হকচাং তেকখৎহল্লি। মরম অসিনা পাম্বী অসিবু কুইন ওফ দি নাইট (Queen of the night) হায়বদি রাতকী রানী হায়বদি অহিংগী রানী হায়নসনু শীংথানৈ।

শিঙ্গারৈ পাম্বী অসি য়াম্না ৱাংবা হিমালয়গী মফমশিং নত্তনা ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা হৌই। পাম্বী অসিগী মনা অসি হেক পায়বদা নপ-নপ লাউই। ইন্দিয়াগী মফম খরদদি মনা অদু কংহল্লগা উগী পোৎথোকশিং নালহনবা সিরিস পেপরগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নৈ।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুং ইন্না শিঙ্গারৈগী মরুদা Nyctoside, Arbortrisoide A অমসুং C হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসি য়াওই। হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসি হকচাংদা ফুগ্রী থুংবা, লাইরেন শজিক হায়বদি কেন্সর অসি ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই হায়রি। পাম্বী অসিদা য়াওবা অতোপ্পা মরু ওইবা Iridoids হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি মীওইবগী ফীরাক চাউথোকপা, লাইরেন শজিক, শিংলি-নাউরিশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং মেলেরিয়া লায়নাশিং ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং পল্লি। শিঙ্গারৈ উগী মকু অসিগা মায়োকফা উগী মকুগা চাং মান্ননা লৌরগা পূন্না শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদু তৈবা অমদি থোম্বদা শরূ তেকপসি (Bone fracture) অসি শৌজিনহনবা ঙম্মী অমসুং হকচাংগী তোংশা পোপ্পদসু থুনা ফহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। শিঙ্গারৈগী লৈ অদু শুগাইরগা ঈশিংদা লৌবা মহী অদু খোইহী খরা হাপ্লগা পীথকপদা লোক থুংবদা য়াম্না কান্নবা ফংই। শিঙ্গারৈ মনা অতেকপা অদু অলকোহোল (য়ু) দা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা খোঙ হাম্বা য়াদবগী লায়না (Constipation) অসি লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা মীওইবনা ৱাখল চোইদুনা পূক্নিং লৈতাফম খঙদবদসু থোইদোক্লা কান্নে। আসামগী ত্রাইবেলশিংনা শিঙ্গারৈ মনা অদু শুগাইরগা লাইবক্তা থোমদুনা অরুম লাইহৌগী লায়না অসি লায়েংনৈ। মনা অদুদা য়ু খরা হাপ্তুনা শেম্বা মলম অদু তৈবদা উনশাগী মখল খরগী লায়নাশিং ফহল্লি। ঝরখাণ্ডগী মুন্দা ত্রাইবশিংনা খ্বাঙগী মখা থংবা শরুকশিংদা চীকপা-নাবা অমদি পঙথবা (Sciatica) তৌবদা শিঙ্গারৈ মনাগী পাউদর অদু খোইহিগা তোৎতুনা নোংমদা চামচ অনীগী চাংদা নুমিৎ ১৫ রোম পীজদুনা লায়েংনৈ। লং অমসুং ফি মচু শঙনবা হঙ্গাম মপাল মচু অমা শিঙ্গারৈগী লৈদগী পুথোকই। শিঙ্গারৈ মনাদগী শেম্বা মলম অদু মীওইবগী খুঊগী তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবদসু য়াম্না কান্নে। শিঙ্গারৈ মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু নোংমদা মিলিলিটর ১৫ রোম পীথক্তুনা খোঙ হাম্বা য়াদবগী লায়নাদা মেঘালয়গী ত্রাইবেলশিংনা শীজিন্নৈ। গুজরাটকী ত্রাইবেলশিংনা খুহীং তৌরবদি শিঙ্গারৈ মনা অদু শুগাইরগা তৈদুনা লায়েংনৈ। হকচাং চীকপা অমদি নাবদা শিঙ্গারৈগী লৈ অদু শুগাইরগা খোইহিগা তোৎতুনা নোংমদা চামচ ২ গী চাংদা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। শিঙ্গারৈ মনা অদু অশোক-অপন তৌবদা শুগাইদুনা থোম্বদা ঈ অদু থুনা খকহনবা ঙমগনি। উরিষ্যাগী ত্রাইবেলশিংনা শিঙ্গারৈগী মরু অদু কুপ্না তকখাইরগা য়ারী-য়াখোঙদা থোমদুনা চাথৎপগী লায়েংনৈ। নীংজোল য়াম্না কন্না নাবদা শিঙ্গারৈ মনা শুগাইদুনা শেম্বা অনঙবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। লোক খুদোকপা ঙমদদুনা থবাক্তা খেদুনা লৈরবদি শিঙ্গারৈ মনা ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা ফহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। অঙাংনা লোক থুংবদা শিঙ্গারৈগী লৈ অদু শুগাইরগা খোইহি খরা হাপ্তুনা পীজদুনা লায়েংবা য়াই।

## মরোল থোকপা লাই




# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ

## ওইথোক্লোইদবা হিগাইৱা অমখক

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঐনা ঐগী** খন্দ্রবা, মীনা মীগী খন্দ্রবা মহাক অদো মী ওইররোই অদুগা ঐনা ঐ খক্তগী খল্লবা, মানা মাখক্তগী খল্লবা মহাক অদো মশাখক্তগী খনবা ওইজবা থিবা মীনি হায়নৈ। ওইজবা থিবা হায়বসিমক্তবু পুকচেল পীকপা ওইগল্লি। অদুনা খুন্নাইসিদা শান্তি ওইনা হিংগে হায়রবদি মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা কথোকপা হায়বদু থল্লগা ঐগী খরা মীগী খরা লাইগী খরা হায়দুনা পুকচেল চাওথোক্না হিংবা তাই। ঐগী চাওরবা ইঞ্জোলসি ঐনা হিংলিঙৈদা মচেৎ-মচেৎ য়েন্নবা য়ারোই, নখোয় পুল্লপ ঐনা শারিবা য়ুমজাওসিদা পূন্না লৈমিন্নগদবনি অদুগা নচিন-ননাও কো-ওপরেসন লৈনগদবনি। তাথোক-তাশিন তৌদুনা খূৎকন পাঙ্গলনা হিংগদবনি। মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না মাগী মাগী নুপী লাকপদগী তোখাই তানিংবা মচাশিংগী মওংদু উরগা মপানা থেমজিন ৱাহৈ ওইনা হায়খিবনি। অদুদগীদি মচা ময়ামদুনা মাগী মাগী শরুক ফংনবা ঈরাং তৌরকই। নুংশিনরম্বা মচিন মনাওদু য়েংথিনরকই খূৎ থোক্লবদৈ হেন্দোক্তুনা খূৎলাই পায়নরকই। মওং-মওং য়েংদুনা থেম নৌদুনা ফনা কন্না হোৎনৈ অদুবু উপাই লৈতে নাতৎপী ঙাক্তনিনা। শাগৎচরম্বা অশা পূম্নমক কায়খি, মমৈথংদা শান্তি হায়বদু পাম্লকখি মাগী মচেৎ অমখক লৈজরগা পীথোকখি মচাশিংদা লোইনমক; অদুদগীদি অহলদু শান্তি ফংদুনা নুংঙাইনা পানখি। মচানা নুংশিবদগীদি মমা-মপানা নুংশিবনা শরুক চান্মা-চান্মা হেল্লি হায়নৈ অদুনা মৈতৈ ৱাহৈদা অসুম্না হায়, মালেমসিদা লৈরিবা মচা অমত্তনা মমা-মপাগী লমন শিংবা ঙমদে, লমন তোল্লগা শিখিবা ঙাক্তনি'।

ঙসি ফাওবগী মনুংদা চীংমী ইচিন ইনাও অমত্তনা 'ঐখোয় ইচিন ইনাওনি' হায়বা তাখ্রব্রা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা হেন্নদুম শাউজিল্লক্কনি। অদুবু মৈতৈ ঐখোয়না য়াইফনবগীদমক মমা-মপাগী রোল অমুক লৌ, বিগ ব্রদরগী রোল অমুক লৌ য়ারিমখৈ মখোয়বু থেমদুনা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনৈ। অমনা ঙাঙবা অমনা তাবগী মহুত্তা য়েংথিনবা য়েক্লবা অমদৌনা লৌনরগা করম্বা কান্দা শান্তি পুরক্কনি। চীংমী ওইরবসু তম্মী ওইরবসু বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ইকোনোমিক ব্লোকেদ, শিন্থা লেপ্পা, টুটেল বন্দ, সটদাউন, মাস রেল্লি হায়রিবশিংসিনা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নরিমখৈ য়েংথিনবা অসুম হেনগৎলক্কনি হায়নীংঙি। লৈঙাক্কা মুক্লবনা অমা ওইরগা ফুরুপ মশেল মুক্লদুনা অসুম লৈরগদি নোংমদি শোইদনা কাঙলুপকী ঈরাং থোক্লক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ইখেং তাবা হায়বদু ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনা মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু থম্নরগা অমনা খরা হন অমনা খরা য়েং তৌদুনা পাউ ফাওদোক্লদুনা ৱাখল তামিন্নরবদি পূম্ন মক্কী য়াইফবা ওইগনি। মদু নত্তদনা নাতৎপীগী ৱারীদা সুম লৈরগদি মাগী মাগী নাখৈ শেংনা য়েন্থোক্লবনা ফরনি হায়জনীংই। থাদোক্লবা য়াররোইদবা মৈতৈ পাঙলগা মৈতৈগনা তমদা লৈহৌরগা চীংমী মখৈনা চীংদা লৈহন্দুনা নাখৈ শেংনা বাউন্দরি অমা থম্লগা লৈনবনা পূম্নমক্কী শান্তি ওইরনি হায়জনিংই।

অরোইবদা হায়জনিংবা অমনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক হায়বদি য়েলহৌমী ঐখোয়গীদমক খল্লগা অখং অহৈ ময়াম্না তুংগীদমক পুথোরকপা আই এল পিগী মায়োক্তা লৈরবনিনা ইচিন ইনাও হায়বদা শাউগনবা চীংগী চীংমীশিংনা অকক্লবা মতম পীবিদুনা চীংগী মফমশিংদা মীরৈবাক্তগী লাকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংবু কৌখৎপীরো অদু ওইরবদি মীতৈশিংনা অসুক্কী মতিক থাগৎচগনি অদুগা শিংবা ঙল্লরোইদবা লমনসু তোনশিঞ্জরে খঞ্জরগে।

*অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্র সিংহ*
*লাইফম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্ট*